

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*ফ্রান্সকী লীগে ৱানগী মেটচ অমদা গুইনগেম্পপু পাঞ্জল ৯–০ দা মায়থিবা পীবদা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী মায়কৈদগী হেটট্রিক চনখিবা কাইলিয়ান মবাপ্পে*

*রিও ওলিম্পিক্স চেম্পিয়ন স্পেনগী কেরোলিনা মারিন মায়থিবা পীরম্লগা মালেসিয়া মাষ্টর্সকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল ফংখ্রবী থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোন*

## গ্রিসকী সিটসিপাসনা মমাঙগী চেম্পিয়ন স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর থোইরম্লগা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে



*স্বিটজরলেন্দগী ফেদরর থোইরম্বা গ্রিসকী ষ্টেফানোস সিটসিপাস*

*মেলবর্ন, জনুৱারি ২০ঃ*

গ্রিসকী ষ্টেফানোস সিটসিপাসনা মমাঙগী চেম্পিয়ন স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর থোইরম্লগা চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা ১৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা গ্রিসকী সিটসিপাসনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৩শুবা সিদেদ স্বিটজরলেন্দগী রোফর ফেদররবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৬–৭(১১–৩), ৭–৬(৭–৩), ৭–৫, ৭–৬(৭–৫) দা মায়থিবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

গ্রিসকী ষ্টেফানোস সিটসিপাসনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ২২শুবা সিদেদ স্পেনগী রোবার্টো বোটিষ্টা আগুটকা শান্নরগনি। আগুটনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচদা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিকপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৬–৭(৬–৮), ৬–৩, ৬–২, ৪–৬, ৬–৪ দা থোইরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দগী মেটচতা জেক রিপব্লিক্কী টোমাস বর্দিসপু ষ্ট্রেট সেট ৬–০, ৬–১, ৭–৬(৭–৪) দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

২শুবা সিদেদ শান্নরোই স্পেনগী রাফেল নদালনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা য়ুএসকী ফ্রান্সেস টিয়াফোগা শান্নরগনি।

য়ুএসকী টিয়াফোনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচতা ২০শুবা সিদেদ বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা তৌনরবা মতুং ৭–৫, ৭–৬(৮–৬), ৬–৭(১–৭), ৭–৫ দা থোইরম্বনি।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা সিদিং ফংদনা শরুক য়াখিবী য়ুএসএগী দানিয়েলি কোল্লিন্সনা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরবু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেটতা ৬–০, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভানা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচতা য়ুএসএগী অমান্দা অনিসিমোভাবু ষ্ট্রেট সেট ৬–২, ৬–১ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভানা ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ওষ্ট্রেলিয়াগী ১৫শুবা সিদেদ শান্নরোই এসলি বার্টিগা শান্নরগনি।

বার্টিনা ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩০শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী রুশিয়াগী মারিয়া সরাপোভাবু ৪–৬, ৬–১, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

## কোরিয়াগী সোন ৱান হো অমদি থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোননা মালেসিয়া মাষ্টর্সকী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস টাইটলশিং লৌখ্রে

*কোলা লম্পুর, জনুৱারি ২০ঃ*

মালেসিয়াগী কোনুং কোলা লম্পুরদা চথরিবা য়ুএস দোল্লর ৩৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা মালেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেটচশিং মায় পাক্কুনা সাউথ কোরিয়াগী সোন ৱান হো অমদি থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোননা নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস টাইটলশিং লৌখ্রে।





মালেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা ৪শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী সোন ৱান হোনা ৩শুবা সিদেদ চাইনাগী চেন লোংবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখি।

নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা গেম সাউথ কোরিয়াগী সোন ৱান হোনা চেন লোংবু ২১–১৭ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেমদা শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী লম্বা মান্নরকখিবদগী পোইন্ট মান্ন–মান্ননা চৎলম্লবা মতুং সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই সোন ৱান হোনা চাইনাগী চেন লোংবু য়াম্না নক্নবা স্কোর ২১–১৯ দা থোইরম্লগা মালেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

মালেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোননা ৪শুবা সিদেদ রিও ওলিম্পিক্সকী গোল্ড মেডালিষ্ট স্পেনগী কেরোলিনা মারিনবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল ফংবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা গেমদা থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোননা স্পেনগী কেরোলিনা মারিনবু য়াম্না লাকশিনদুনা শান্নবা ঙমদুনা গেম অদু ২১–৯ দা য়াম্না লায়না থোইদুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা গেমদা শান্নরোই অনীমক য়াম্না কন্না শান্নরকপদগী পোইন্ট ২০–২০ দা মান্নদুনা লৈখি। মখা তানা শান্নরকপদা থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোননা থংনবা পোইন্ট লৌবা হানখিবদগী গেম অদু ২২–২০ দা থোইদুনা মেটচ অদু মায় পাক্কুনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

মালেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা নম্বর ৱান সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী মার্কস ফর্নাল্ডি গিদিওন অমদি কেভিন সঞ্জয়া সুকামুলজোনা মালেসিয়াগী পেয়র ওং য়িয়ু সিন অমদি টিও ই য়িবু ষ্ট্রেট গেম ২১–১৫, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ পেয়র জপানগী য়ুকি ফুকুসিমা অমসি সায়াকা হিরোটানা ৪শুবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী গ্রেসিয়া পোলি অমদি এপ্রিয়ানি রাহায়ুবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৮–২১, ২১–১৬, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীরম্লগা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ জপানগী য়ুটা ৱাটানবে অমদি এরিসা হিগাসিনোনা নম্বর টু সিদেদ থাইলেন্দগী দেচাপোল পুৱাভারানুক্রোবু ষ্ট্রেট গেম ২১–১৮, ২১–১৮ দা থোইরম্লগা টাইটল লৌখি।

## কোসমাস অমদি অলেমুনা মুম্বাই মরাথোনগী টাইটলশিং লৌখ্রে

*মুম্বাই, জনুৱারি ২০ঃ*

মহারাষ্ট্রগী সিটি মুম্বাইদা ঙসি পাঙথোকখিবা মুম্বাই মরাথোন কেনিয়াগী কোসমাস লাগাটনা নুপাগী টাইটল লৌখ্রে, অদুগা ইথিওপিয়াগী ৱার্কনেস অলেমুনা নুপীগী টাইটল ফংখ্রে।





মুম্বাই মরাথোন অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী কাঙলূপ্তা কেনিয়াগী এথলিট কোসমাস লাগাটনা ২ঃ০৯ঃ১৫ সেকেন্দদা মকোক তাদুনা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখি।

কাঙলূপ অসিদা ইথিওপিয়াগী এথলিট আইচিয়ু মেনটিনা ২ঃ১০ঃ০৫ সেকেন্দদা চেন্দুনা অনীশুবা পোজিসন তারগা ইথিওপিয়াগী অতোপ্পা এথলিট সুমেট অকালন্যুনা ২ঃ১০ঃ১৪ সেকেন্দদা চেন্দুনা অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

মুম্বাই মরাথোন অসিগী নুপীগী কাঙলূপ্তা ইথিওপিয়াগী ৱার্কনেস অলেমুনা ২ঃ২৫ঃ৪৫ সেকেন্দদা চেন্দুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

কাঙলূপ অসিদা ইথিওপিয়াগী অতোপ্পা এথলিট অমানে গোবেনানা ২ঃ২৬ঃ০৯ সেকেন্দদা অনীশুবা পোজিসন তারগা ইথিওপিয়াগী অতোপ্পা এথলিট বিরকে দেবেলেনা ২ঃ২৬ঃ৩৯ দা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী এথলিট সুধা সিংহনা ২ঃ৩৪ঃ৫৬ সেকেন্দদা পঙ্গুংফম য়ৌদুনা ইন্দিয়াগী এথলিটশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

ইন্দিয়ান মেনদা নিটেন্দ্র সিংহ রাৱটনা ২ঃ১৫ঃ৪৫ সেকেন্দদা অহানবা, গোপি থোনাকালনা ২ঃ১৭ঃ০৩ সেকেন্দদা অনীশুবা অদুগা কারন সিংহনা ২ঃ২০ঃ১০ সেকেন্দদা অহুমশুবা তাখি।

ইন্দিয়ান ৱুমেনগী কাঙলূপ্তা সুধা সিংহনা ২ঃ৩৪ঃ৫৬ সেকেন্দদা চেন্দুনা মকোক ওইখি। জ্যোতি গাওটেনা ২ঃ৪৫ঃ৪৮ সেকেন্দদা অনীশুবা অদুগা জিগমেট দোলমানা ৩ঃ১০ঃ১১ সেকেন্দদা অহুমশুবা তাখি।

নুপীগী হাল্ফ মরাথোনদা মিনু প্রাজাপথিনা ১ঃ১৮ঃ০৫ সেকেন্দদা অহানবা, সাইগিটা নাইকনা ১ঃ১৯ঃ০১ দা অনীশুবা অদুগা মঞ্জু যাদবনা ১ঃ২৫ঃ১১ দা অহুমশুবা তাখি।

নুপাগী হাল্ফ মরাথোনদা শ্রিনু বুগাথানা ১ঃ০৫ঃ৪৯ সেকেন্দদা অহানবা, সঙ্কর মান থাপানা ১ঃ০৬ঃ০৭ দা অনীশুবা অদুগা কালিদাস হিরাভেনা ১ঃ০৬ঃ৩৮ সেকেন্দদা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

## লা লীগাদা ভেলেন্সিয়া অমদি এটলেটিকো মাদ্রিদ মায় পাকখ্রে

*মাদ্রিদ, জনুৱারি ১৯ঃ*

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট লা লীগাদা ভেলেন্সিয়া অমদি এটলেটিকো মাদ্রিদ মায় পাকখ্রে।

ভেলেন্সিয়ানা ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা সেল্টা ভিগোবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরমখি। শান্নবগী ৪০শুবা মিনটতা সেল্টা ভিগোগী শান্নরোই নেষ্টর অরাওজোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।


অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৭১শুবা মিনটতা ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোই ফেরান টোরেজনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ইক্কেলাইজর ওইহনখি। মেটচকী ৮৪শুবা মিনটতা ভেলেসিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই রোদ্রিগেজ মোরেনোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেটচ অদু ২–১ দা ভেলেন্সিয়ানা মায় পাকখি।

লীগ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা এটলেটিকো মাদ্রিদনা এস দি হুয়েস্কাবু ৩–০ দা থোইরমখি। শান্নবগী ৩১শুবা মিনটতা এটলেটিকো মাদ্রিদকী লুকাস হর্নান্দেজনা অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫২ অমদি ৭১শুবা মিনটতা এটলেটিকো মাদ্রিদকী শান্নরোই সান্টিয়াগো অরিয়াজ অমদি কোকোনা চনবা ঙমখিবনি।

## ইন্দিয়াগী অনকিতানা সিঙ্গাপোরদা পাঙথোকপা আই টি এফ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখ্রে

*সিঙ্গাপোর, জনুৱারি ১৯ঃ*

মালেসিয়াগী সিটি সিঙ্গাপোরদা চথরকপা য়ুএস দোল্লর ২৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা আই টি এফ ৱুমেন্স টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেটচ মায় পাক্কুনা ইন্দিয়াগী অনকিতা রাইনানা টাইটল লৌখ্রে।



ইন্দিয়াগী অনকিতা রাইনানা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী স্বিটজরলেন্দগী কোনি পেরিনবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৪, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

সিঙ্গাপোরদা চথরিবা আই টি এফ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী অনকিতা রাইনানা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সিদেদ শান্নরোই নেদরলেন্দসকী শান্নরোই এরান্টক্সা রুসপু পুং ১ গা মিনট ২৩ চঙনা শান্নরবা মতুং ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরম্লগা চহী অসিগী অহানবা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা সেটতা ইন্দিয়াগী অনকিতা রাইনানা নেদরলেন্দসকী এরান্টক্সা রুসকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা গেমদসু ইন্দিয়াগী অনকিতানা নেদরলেন্দসকী শান্নরোই এরান্টক্সা রুসকী সার্ভিস গেম অনী ঙন্না ব্রেক তৌবা ঙমদুনা সেট অদুসু য়াম্না লায়না ৬–২ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী অনকিতা রাইনানা সিঙ্গাপোরগী য়ুএস দোল্লর ২৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা আই টি এফ টাইটল অসি লৌখিবগা লোয়ননা মহাক্কী কেরিয়রগী মরিশুবা টাইটল ওইখি।

মহাক্না মমাঙ চহীদা য়ুএস দোল্লর ২৫,০০০গী শেলগী মনা লৈবা গ্বালিয়র অমদি নোথাবুরি টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

## ইংলিস প্রেমিয়র লীগতা আর্সনেলনা চেলসিবু ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে

*লন্দন, জনুৱারি ২০ঃ*

ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা ২৩শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা আর্সনেলনা চেলসিবু ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিগী অহানবা পাঞ্জল শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা আর্সনেলগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা আলেকজান্দ্রি লাকাজেটনা চন্দুনা মাঙজিল থাখি।

মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং শান্নবগী ৩৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা আর্সনেলগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা লোরেন্ট কোস্কিলনিনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ২–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি। অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদবদগী মেটচ অদু আর্সনেলনা চেলসিবু ২–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

ফ্রান্সকী ফুটবোল টুর্নামেন্ট লীগে ৱানগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা পেরিস সেন্ট জর্মেননা গুইনগেম্পপু পাঞ্জল ৯–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

১১শুবা মিনটতা পি এস জিগী শান্নরোই নেমারনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। মেটচ অসিনা কাইলিয়ান মপাপ্পেনা হেটট্রিক পাঞ্জল চনবা ঙমখি। টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই ইদিসন কভানিসু মেটচ অসিদা হেটট্রিক পাঞ্জল চনবা ঙমখি। নেমারনা শান্নবগী ৬৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চনবা ঙমখি। অদুগা টিম অসিগী অতোপ্পা পাঞ্জল অমনা শান্নবগী ৮৩শুবা মিনটতা থোমাস ম্যুনিয়রনা চনবা ঙমখি।

লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ষ্ট্রাসবর্গনা মোনাকোবু ৫–১ দা মায়থিবা পীরমখি। মোনাকোগী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী ১২, ১৭, ৬৩, ৬৮ অমদি ৯০শুবা মিনটতা চনখি। মোনাকোগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা শান্নবগী ২২শুবা মিনটতা চনখি।

### ক্রোসৱার্দ ৪৮ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | L | A | T | S | | C | A | M | P | | E | W | E | R |
| P | I | L | O | T | | A | S | I | A | | M | A | D | E |
| A | L | O | N | E | | R | E | A | R | | C | R | I | B |
| R | A | H | | E | L | L | A | | S | I | E | S | T | A |
| S | C | A | M | P | I | | | A | N | N | E | | | |
| | | | A | S | S | A | S | S | I | N | | S | S | E |
| A | F | A | R | | P | R | O | S | P | E | R | I | T | Y |
| R | A | I | D | S | | A | D | E | | R | O | G | U | E |
| I | L | L | I | T | E | R | A | T | E | | A | N | D | S |
| A | L | S | | R | E | A | S | S | E | S | S | | | |
| | | | B | U | R | T | | | L | E | T | H | A | L |
| S | A | L | A | M | I | | C | O | S | T | | O | L | E |
| A | G | E | D | | E | V | E | N | | T | R | I | T | E |
| S | U | N | G | | S | I | D | E | | L | A | S | E | R |
| H | A | T | E | | T | E | E | S | | E | N | T | R | Y |


# PALACE DENTAL CARE

*Wangkhei Angom Leikai, Opposite to Thangal Temple*
*Imphal East*

Newly Open

Newly Open

* Free consultation & 50% discount on all treatments upto 20th Jan. 2019

**Treatments available:-**

1. Scaling & Root Planning.
2. Filling, RCT, Pulpectomy, etc.
3. Crown & Bridge.
4. Extrations.
5. RPD, FPD & Complete Dentures
6. Braces & Orthodontic treatments. etc.

Sunday
8 AM. to 12 Noon.

Visiting Hours
8:30 AM. to 4:30 PM.

X-ray available

*For more details*
*Please Contact:*
Dr. Laishram Sulochana Devi (BDS)
Phone No. 8787891896 / 9774011715

SL/P/Alt/30 Days from 6-1-19



# A SUNSHINE PHYSIOTHERAPY CLINIC

*SINGJAMEI MAYENGBAM LEIKAI*
*NEAR US ACADEMY, IMPHAL WEST*

**Treatments**
- Fracture
- Frozen Shoulder
- Neck & Back Pain
- Knee Pain
- Arthritis (Hip, Knee joints, Gout)
- Stroke
- Bell's Palsy
- Other neurological Conditions

**Instruments**
- Tens
- Ultrasound
- IFT
- Traction
- Paraffix wax bath
- Muscle stimulator
- Laser Therapy
- Tread Mill
- Hot Pack
- Pully
- Shoulder wheel
- Ladder
- Swiss Ball
- Ankle Exerciser
- Static Cycle

Sunday - on appointment only

Home visit available

Visiting Hours
8 AM. to 12 Noon. & 2 PM. to 5PM.

*Please Contact:*
Dr. Sougrakpam Roshini (MPT)
Phone No. 9089679415 / 9899141163
*Email- asunshine489@gmail.com*

SL/BILL/Alt/30 Days upto 3rd Feb. 2019